# মেঘলয়াদা চহী মিল্লিয়ন ১০০ রোম শুরবা দাইনোসোরগী শরুশিং থেংনখ্রে

শিলোং, মে ০৫ (এজেন্সী):
য়াম্না ঙকনিংঙাই ওইবা মওংদা মেঘলয়াগী রিসাছরশিংনা ষ্টেট অদুদা চহী মিল্লিয়ন ১০০ রোম শুরবা দাইনোসোরগী শরুশিং ফংবা ঙমখ্রে হায়না জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মেঘলয়াগী ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা রিসাছরশিংনা দাইনোসোরগী শরুশিং অদু দিসকোভর তৌবা ঙমখিবনি। জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রিসাছরশিংনা চৎখিবা ফিল্ড ত্রিপ অমদা শরু পোলাং অদু ফংবা ঙমখিবনি।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুত্তা দাইনোসোরগী ফোসিল ফংবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি। রিসাছরশিং অদুনা দাইনোসোরগী শরুশিং অদু কলেক তৌনবা হোৎনবদা য়াম্না কুইরবা শরু পোলাং ওইবনা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নখি। রিসাছরশিংনা হন্দক থেংনখিবা দাইনোসোরগী ফোসিল অদু সাওরোপোদ হায়না খঙনবা য়াম্না শাংবা মঙক অমদি মমৈ পানবা দাইনোসোর মখল অদু ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

মালেমদা লৈরম্বা অচৌবা শাশিংগী মনুংদা সাওরোপোদসু অমনি। মেঘলয়াদা ফংলিবা দাইনোসোরগী শরু পোলাং অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা মমাং মতমদা অমুক্তা থেংনখিবা লৈত্রি। মেঘলায়াদা থেংনরিবা দাইনোসোরগী শরু পোলাং অসিগা মান্নবা ফোসিল থেংনখিবা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিং খরা লৈখ্রে। মখোয়শিং অদুদি গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা অমসুং টামিল নাদুনি।


ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী থৌমীশিংবু ওল ইন্দিয়া তৃনামুল কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা তমথিনা ফুখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা খাঙপোক্তা লৈবা সোরোজিনি ওইল পম্পতা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীখলগী দ্যুটি চৎলুবা পুলিস পর্সনেল খরসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে



আইজোল, মে ০৫ (এজেন্সী):
মিজোরামদা ইনৌ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২৩৮ গী মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীখলগী দ্যুটি তৌরুরগা হন্দক্তা হল্লকখিবা পুলিস পর্সনেল ৬২ য়াওরি।

ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা পুলিস পর্সনেলশিং অদু এপ্রিলগী অরোইবা চয়োলদা ষ্টেট অসিদা হল্লকখিবদগী ক্বারেন্টিন তৌরকখি। মখোয়দা নত্তনা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ২, বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী জৱান ১, হেল্থ ক্যের ৱার্কর ২ অমসুং ইমুং অমগী মীওই ৬ সু নৌনা ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা য়াওখি।


চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলগী দ্যুটি য়াওরুবদগী হল্লকখিবা পুলিস পর্সনেল ১০৯ কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী কেসতা পোজিটিভ ওইখ্রবনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা য়ামদ্রবদা সেম্পল ৩,২১৮ টেষ্ট তৌখিবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৭.৪ ওইখি। মসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা নোংমগী মনুংদা থেংনবা খ্বাইদগী ৱাংবা পোজিটিভ ওইবগী চাংনি। মিজোরামদা হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস ১,৬০৯ লৈ। অমরোমদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ পেসেন্ট ৫,১৬৮ ইনফেক্সন অসিদগী ফদুনা কোভিদ ক্যের সেন্তরশিং অমদি হোস্পিটালশিংদগী দিচার্জ তৌখ্রে।

# নুমিৎ ৫ নি টোটেল লোকদাউন লাউথোকখ্রে

শিলোং, মে ০৫ (এজেন্সী):
হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ গী ফীভম য়েংদুনা মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টতা নুমিৎ ৫ নি টোটেল লোকদাউন লাউথোকখ্রে। টোটেল লোকদাউন অদু থা অসিগী ৫ দগী ১০ ফাওবা চত্থগদবনি।

মেঘলায়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা চয়োলগী অরোইবা নুমিৎশিংদা লোকদাউন থম্নবসু ৱারেপ লৌখ্রে। ৱাফম অসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা লাউথোকখিবনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ২৬৮ থেংনবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কোভিদ কেস মশীং ২,১৩৬ শুরে। ষ্টেট অসিদা ইনৌ নৌনা কোভিদ পেসেন্ট ৪ শিখ্রে অমসুং মীওই ১৪৭ লায়না অসিদগী ফখ্রে।

## CROSSWORD-3771



**ACROSS**
1 Earnings (6)
4 Aided (6)
8 Vital organ (5)
9 Plentiful (7)
10 Disappointment (3-4)
11 Senior (5)
12 Scattered (9)
17 Greek island (5)
19 Of current interest (7)
21 Lit (7)
22 Musical speed (5)
23 Cooking place on board ship (6)
24 Brags (6)

**DOWN**
1 Breathe in (6)
2 Mapped (7)
3 Paris underground (5)
5 Female ruler (7)
6 Haughty (5)
7 Wish for (6)
9 Satisfied (9)
13 Move to and fro (7)
14 Absconds (7)
15 Playing a part (6)
16 Deluges (6)
18 Of the kidneys (5)
20 Paved garden area (5)

**Solution 3770**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ■ | ■ | A | R | I | T | H | M | E | T | I | C | ■ |
| N | ■ | S | ■ | D | ■ | O | ■ | A | ■ | L | ■ | ■ |
| I | N | S | P | E | C | T | ■ | U | G | L | Y | ■ |
| G | ■ | E | ■ | S | ■ | T | ■ | D | ■ | W | ■ | H |
| H | U | S | H | ■ | S | E | V | E | R | I | T | Y |
| T | ■ | ■ | ■ | B | ■ | R | ■ | V | ■ | L | ■ | P |
| M | I | S | H | A | P | ■ | V | I | O | L | I | N |
| A | ■ | P | ■ | S | ■ | M | ■ | E | ■ | ■ | ■ | O |
| R | E | A | C | T | I | O | N | ■ | A | B | E | T |
| E | ■ | R | ■ | I | ■ | D | ■ | S | ■ | U | ■ | I |
| ■ | O | R | A | L | ■ | I | T | A | L | I | C | S |
| ■ | ■ | O | ■ | L | ■ | S | ■ | G | ■ | L | ■ | M |
| ■ | S | W | E | E | T | H | E | A | R | T | ■ | ■ |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪,৮২৬ থেংনখ্রে

গুৱাহাটি, মে ০৫ (এজেন্সী):
অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪৮২৬ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ৫৫ শিহনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অদুদা পুন্না সেম্পল ৫২,০৭৪ টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা ৪,৮২৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি হান্নগা য়েংনরুবদা চাদা ৯.২৭ গী চাংদা হেনগৎলক্লি। ঙসি নৌনা থেংনখ্রবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ১,৩৮৩ দি কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি। অসামদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৭.৯৯ লৈরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস মশীং ৩,৮২,৩১৫ থেংনখি। অদুগা মী ৩,৭৮০ শিহনখি হায়রি।

# কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

গুৱাহাটি, মে ০৫ (এজেন্সী):
অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জালোনি টি গার্দেনদা থবক শুবা ৱার্কর অমসুং ষ্টাফ ৯০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী গার্দেন অদু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে হায়রি।

দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জালোনি টি ইষ্টেটপু কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা খুদক্তগী গার্দেন অদু থিংজিনখ্রে। জালোনি টি ইষ্টেট অদু টেঙাখৎ রেভেন্যু সার্কলগী মনুং চন্না লৈবনি। পাউ অদু হেক ফংবগা টেঙাখৎ রেভেন্যু সার্কলগী ওফিসরশিং, মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং মফমদুদা চঙশিন্দুনা খুদক্কী ওইনা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

গার্দেন অদুদা হোস্পিটাল অমসুং ষ্টাফ ক্বার্টর অনী খুদক্কী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্টশিং অদুগী আইসোলেসন সেন্তর ওন্থোকখ্রে। টি ৱার্করশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়না গভর্ণমেন্টতা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ টি ইষ্টেটশিংদা পাঙথোক্নবা হায়জখ্রে অদুবু থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি। অনীশুবা কোভিদকী ৱেভ অসি হান্নদগী হেন্না শাথিবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়ৎপীয়ু হায়রি।

# অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা নুপী কেন্দিদেটশিং মায় পাকপগী চাং হান্নদগী হন্থরক্লি: রিপোর্ট



গুৱাহাটি, মে ০৫ (এজেন্সী):
মেম্বর ১২৬ লৈবা অসাম এসেমব্লিদা নুপী কেন্দিদেটশিং মায় পাকপগী চাং মমাং চহীদগী হন্দক চহীনা অমুক হন্থখ্রে হায়না ইলেক্সন কমিসনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা নুপী কেন্দিদেট ৮ মায় পাকখি। অদুবু হন্দক্কী ওইনদি ৬ খক্তমক মায় পাকপা ঙমখিবনি।

মেম্বর ১২৬ লৈবা অসাম এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা পুন্না কেন্দিদেট ৯৪৬ না লম্বা তৌনখি। মদুগী মনুংদা ৭৪ দি নুপী কেন্দিদেটনি। তাঙ্কক অহুম থোক্না পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অদুদা মায় পাকখ্রবা নুপী ৬ অদুদি, রুল্লিং বি জে পিগী কেন্দিদেট ৩, বি জে পিগী চৎমিন্নরিবা অসোম গনা পরিষদ (এ জি পি) গী অমা অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেসকী ২ নি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা পুন্না নুপী কেন্দিদেট ৯১ না শরুক য়াখি। অদুগা হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদনা নুপী কেন্দিদেট ৮৫ না শরুক য়াখি। কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা পুন্না নুপী কেন্দিদেট ১৪ মায় পাকখি। চহী অদুনা অসামদা নুপী কেন্দিদেট খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না মায় পাকপা ওইরি। বি জে পি নুপী কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা মায় পাকখ্রবশিং অদুদি হান্না কোংগ্রেসকী মিনিষ্টর ওইরম্বতা নত্তনা টার্ম ৪ রক এম এল এ ওইরকখ্রবী হৌজিক্কা বি জে পিদা য়াওখ্রবী অজান্তা নিয়োকনি। মহাক্না গোলাঘাদতা মহাক্না খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা বিতুপান সাইকিয়াবু ভোট ৯,৩২৫ তা মায়থিবা পীখিবনি।

অতোপ্পা কেন্দিদেট অনী অদুনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা বি জে পি এম পি বিজয়া চক্রমোর্টিগী মচানুপী সুমন হরিপ্রিয়া অমসুং বি জে পিগী নোমিনা নন্দিতা গারোসানি। কোংগ্রেসকী ওইনা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেট অনী অদুনা বোকো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখিবা নন্দিতা দাসনি। মহাক এ সী অসিদা হন্দক্কী অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখিবনি। অদুগা অমনা হান্নগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর কিরন বোরাগী মচানুপী সিবামোনি বোরানি। মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা বি জে পিগী মীরেপ অঙ্গুরলাতাবু ভোট ৩২,৮২০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3570**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | 7 | | | | 4 | |
| | | | | | | | 1 | 2 |
| | | 5 | | | 8 | 3 | | 6 |
| | | | 1 | 7 | | | | |
| 2 | 6 | | | | | | 9 | 1 |
| | | | | 8 | 6 | | | |
| 7 | | 3 | 4 | | | 9 | | |
| 6 | 9 | | | | | | | |
| | 4 | | | | 7 | | 5 | |

**Solution-3569**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 3 | 2 | 9 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 2 | 8 | 1 | 5 | 3 | 4 | 7 | 6 | 9 |
| 5 | 4 | 9 | 8 | 6 | 7 | 1 | 3 | 2 |
| 1 | 6 | 5 | 9 | 7 | 2 | 8 | 4 | 3 |
| 3 | 2 | 8 | 4 | 5 | 6 | 9 | 7 | 1 |
| 4 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 6 | 7 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 2 | 5 | 6 | 9 | 8 |
| 8 | 5 | 2 | 6 | 4 | 9 | 3 | 1 | 7 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 ? 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

Directorate General Border Security Force (BSF) invites applications from eligible candidates for recruitment vacancies of Group A, B & C combatised posts in Mi Fleet in BSF Air Wing on contract basis. The advertisement is open up to 31st December 2021.
Name of Post
No of Vacancies
Capt / Pilot (DIG)
02
Comdt (Pilot)
06
SAM (Inspr)
05
JAM (SI)
11
AAM (ASI)
16
Senior Flight Gunner (Inspr)
05
Junior Flight Engineer (SI)
04
Junior Flight Gunner (SI)
04
Place of Posting: Guwahati, Ranchi, Srinagar, as well as any other location to be decided by Competent Authority.
Pay Scales:
Capt / Pilot (DIG): ? 3.25 to 3.5 Lakhs per month
Comdt (Pilot): ? 2.8 to 3.4 Lakhs per month
SAM (Inspr): ? 1,40,000/- per month
JAM (SI): ? 1,30,000/- per month
AAM (ASI): ? 1,20,000/- per month
Senior Flight Gunner (Inspr): ? 1.55 to 1.65 Lakhs per month
Junior Flight Engineer (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
Junior Flight Gunner (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
How to Apply: The advertisement is open up to 31st December 2021 subject to availability of vacancies as per the requirement. Eligible candidates may apply and applications against there contractual vacancies will be accepted till 31st December 2021. Completed application along with requisite enclosures should reach to "DIG (Pers), FHQ BSF, Pers Dte, CGO Complex, Block 10, Lodhi Road, New Delhi - 110003".







